হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, এপ্রিল ১৪, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ০১৯শুবা মশীং

# অর্বান লোকল বোদিশিংগী মীখল

## মীয়ামগা হকথেংনরিবা বোদিশিং অসিগী মীখল পাঙথোকফম থোকই

লৈবাক অসিগী মফম পুম্নমক্তা চৎনরিবা দিমোক্রেসিগী লৈঙাক্লোন অসিগী মরুওইবা ৱাহন্থোকশিংদা অসিগুম্বা মখলগী লৈঙাক্লোন হায়বসি মীয়ামগী মীহুৎনা শেমজবা মীয়ামগী লৈঙাক হায়বনি হায়না হল্লিবা অসিগী খুদুং ইন্দুনা সেন্ট্রেল নৎত্রগা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংগী মায়কৈদগীসু লৈঙাকশিংগী মায়কৈদগী মীয়ামগীদমক পাঙথোরল্লিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং লেপহন্দনা চথুনবগীদমক শরক শীবগী থৌওংশিং থোকহনফম থোক্তবরা হায়বসি হৌজিক মতম লোইরবা মণিপুরগী অর্বান লোকল বোদি (য়ু এল বি)শিং ওইরিবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলশিংগী মীখল পাঙথোকফম থোক্লবসু পাঙথোক্লবগী থৌরাং ফাওবা লৌখৎত্রিবা ফীভম অসিদগী মীয়াম্না হংনরক্লে। ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (আই এম সী) খায়দোকখ্রগা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা অর্বান লোকল বোদিশিং ওইরিবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলশিং অসিগী চহী ৫গী টর্ম মপুং ফানা মথং মথং লোইশিন্নরকপদগী মণিপুর লৈঙাক্কী মহুদ দিপার্টমেন্টনা মণিপুর ম্যুনিসিপালিটিজ এক্ট, ১৯৯৪গী প্রোভিজনশিংনা পীবা চৎন কাঙলোনশিংগী মতুংইন্না দিজোল্ব তৌখ্রে। হায়রিবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলশিং অসি মথংশিৎনা চৎলিবা কুমজা অসিগী ফেব্রুৱারী ৫দগী হৌরগা ২৭ ফাওবগী মনুংদা থেঙ্খাং নাইনা মথং মথং মখোয়গী টর্মশিং এক্সপ্যায়র ওইনরকখিবনি। মসিগী মতুংইন্না দেপ্যুটি সেক্রেটরি (মহুদ)না ফেব্রুৱারী ১৩দা থোকখিবা ওর্দর অদুগী মতুংইন্না ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলশিং অসিবু দিজোল্ব তৌরে হায়দুনা খঙহনখিবনি।

অদুবু মতাংসিদা লাক্লিবা ৱাহংদি ষ্টেট অসিদা লৈরিবা গ্রাম পঞ্চায়ট, জিলা পরিষদ অমসুং নগর পঞ্চায়টশিংগুম্না ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলশিং অসিগী ইলেক্টেদ কাউন্সীল্লর অমসুং মখোয়গী মরক্তগী খনবা চ্যেরপর্সন অমদি ভাইস চ্যেরপর্সননচিংবা থৌবুরোইশিং অসি মাগী মাগী ৱার্দ (খুঙ্গং/লৈকায়/লৈরক)তা লৈবা মীয়ামগা হকথেংননা মায়োক্লরিবা অমসুং খুৎশম্নরিবা ইলেক্টেদ পর্সনশিংনি। দিমোক্রেসিগী লৈঙাক্লোন চৎলিবা লৈবাক অসিগী লৈঙাক্লা মীয়ামগীদমক পায়খৎলকপা য়াইফ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং মীয়ামগী মখুৎতা হকথেংননা য়ৌহন্নবা হোৎনরকপগী লম্বীদা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলশিং অসিসু মরুওইবা থোং অমা ওইরিবনি। অদুবু চহী ৫গী টর্ম লোইবগী হৌনবা হায়রিবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলশিং অসিবু দিজোল্ব তৌথোকখিবা হায়বসিদি ষ্টেট অসিগী লৈজরিবা মণিপুর ম্যুনিসিপালিটিজ এক্ট, ১৯৯৪গী প্রোভিজনশিংনা পীবা অয়াবনি। তৌফমসু থোকপনি। অদুবু শাংলবা চহী ৫গী টর্ম অসি লোইদ্রিঙৈগী মাঙওইননা মীয়ামগা খুৎশম্নরিবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলশিং অসিনা থৌদাং লৌরক্লিবা থবক থৌরম পুম্নমক অদুগী অহাঙবা লৈহন্দনবগীদমক করিগীদমক্তা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পাঙথোকফম থোকপা অর্বান লোকল বোদিশিং অসিগী মীখল পাঙথোক্ত্রিবনো। লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা পাঙথোকফম থোক্লবা মীখলশিং অসি পাঙথোক্লবা হোৎনদ্রিবনা করিগীনো হায়বসিনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীবুদি ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলশিং অসিগী থবক থৌরমশিং য়েংশিনহন্নবনি হায়দুনা ফেব্রুৱারী ২০, ২০২১দা থোকখিবা মহুদ লোয়শঙগী ওর্দর অমনা মরী লৈনরিবা দেপ্যুটি কম্মিস্নারশিংবু দিজোল্ব তৌরবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলশিং অসিগী এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা হাপচিল্লে হায়বা ৱাফমবুদি হায়রক্কনি। অদুবু দিষ্ট্রিক্টশিংগী দেপ্যুটি কম্মিস্নারশিংদা এম্পৱার তৌরিবা থবক থৌরমশিংগী মনুংদা মখোয়বু দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অমা ওইনসু মথৌ পাঙথোকহল্লিবগী মথক্তা অতোপ অতোপ্পা এজেন্সী/ওথোরিটি/স্কিম কয়াসু খুৎশিন্নরিবনা মখোয়না ইলেক্টেদ কাউন্সীল্লরশিং অদুনা পাঙথোক্লম্বা মীয়ামগা খুৎশম্নবা থবক থৌরমশিং অদুগা চপ মান্ননা পাঙথোকপা ঙমগদ্রা হায়বসিনি। লোয়ননা পাঙথোকফম থোক্লবা মীখল পাঙথোক্ত্রিবা অসিগী মরুমদনা করি করম্বা লৈঙাক্কী এজেন্দা লৈবগে। হৌজিক কোভিদ-১৯গী খুদোংচাদবা মায়োক্লরগসু বাই ইলেক্সন খরদি পাঙথোকখি। চীংগী এ দি সীশিংগী মীখলসু পাঙথোক্লবগীদমক শেম-শাবসু হৌরক্লি। অদুবু ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলশিংগীদি ঈশিং মনুংদা লৈতুম থাদবদৌনা তুমীন্না লৈশিল্লক্লিবসি হৌদোংনা ঙা চারি, য়েংলি হায়বদুগী ফীভমদা টর্ম লোইরবসু লোইজখিসনু মীখলদি পাঙথোক্লেই। মহুৎ শীনবা মীওই অমা হাপচিল্লগা চলাইগনি হায়বা ৱাখল লৈবদগীরা। মসিনা চপ চাবা মরম ওইরগদি পাঙথোকফম থোক্লিবা মীখল মতম চানা পাঙথোক্তবগী মরমশিংগী মনুংদা য়োংনা তল য়েনবগী ফীভমদা তারকহন্নিংবা ৱাখল্লোন অমসু মরমশিং অসিগী মরুমদা শোয়দনা লৈরব্রা হায়বসি হংনিংঙাই ওইরক্লি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা নকশিল্লক্লিবা মথংগী এসেমব্লী ইলেক্সন অসি খুৎনা লাম্বা ফংলক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলশিংগী মীখল পাঙথোকহৌবনা চুমগনি খল্লি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৫

১) “চীংয়া তময়া” (অহানবা ফোঙবা, ১৯৫৫) হায়বসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?

২) “মেঘনাদবদ-কাব্য (সম্পূর্ণ)” হায়বসি কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকখি?

৩) “খম্বা থোইবী পুন্সি ৱারী অনীশুবা শরুক” হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?

৪) নিংথৌ “থাংয়ি তাওবুং খোংদৌবদগীনা য়োইকামু অতোনবা ফাওবগী মরমদা ইবা লাইরিক” অদু করি লাইরিকনো?

৫) “ঐদি আত্মাগী কন্সেপ্টতা থাজবা ঙমদ্রি; ঈশ্বরবু থাজবা ঙমদ্রি। ঐগী মাঙদা থোঙ অহুম লৈরে - আত্মা, ঈশ্বর অমসুং প্রকৃতি। থোঙ অনীদি হৌজিকসু লোল্লি অমদি হাংলে - অদুবু থোঙজিন কানশিল্লগা মনুং য়ৌশিনবদি ঙমদ্রি হাংলিবা থোঙ অসিসু।” কবি কনাগী ৱাহৈনো অমসুং কদাইদা য়াওখিবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইলেক্ট্রোনিক্সকী অনৌবা য়াওল : মনুং ফাওনা উবা ঙম্বা খূৎলায়শিং

সাইন্সকী খোঙচৎ

**কুঞ্জো নাওরেম**

কুমজা ১৮৯৭তা জে এ ফ্লেমিংনা ভেক্যুম দাইওদ পুথোরকখিবদগী ময়োল চোংলকখিবা ইলেক্ট্রোনিক্স অসি ঙসিদি মপূং-মরৈ ফারবা উপাল হায়বদু ওইরে, অদুবু উপাল অসিগী মরা অমসুং মসা-মরেংশিংনা শন্দোরকপদি লেপ্পা লৈত্রি। ঐখোয়না ইখন খঞ্জিল্লুদবগীনি; মোবাইল ফোন থোরক্তুনা শীজিন্নরকপদগী, উরক্লিবা অহোংবশিংসিনা মতিক চারবা শাক্ষি অমসু ওইরি। কয়াদি হোংলক্লে, কি-পেদ য়াওরম্বদুদগী স্ক্রিন টস, মেমোরি কার্দ/ষ্টিক হাপ্লম্বদগী হাপ্তবা, ... পংকুই কুইগদবা মানদ্রে কোন্থোক কোনশিন য়াবা ফোন অদুগা মনুং ফাওনা উবা ঙম্বা হায়বদি ত্রান্সপরেন্ট ওইবা ফোন উরক্কদবসি। অওনবসিবুনি ঐখোয়না পাল্লিবসি, অফবরোমদা ওল্লকপা।

মনুং ফাওনা উবা ঙম্বা অমসুং কোন্থোক-কোনশিন য়াবা ইলেক্ট্রোনিক্সকী লম্দা চঙশিল্লকপসি ঙসি-ঙরাংখক্তদগী নত্তে। হৌখিবা চহী কয়ামুকসি থিজিল্লোয়শিংনা সেমিকন্দক্টিং ওক্সাইদশিংদা য়ূম্ফম ওইবা, মঙালনা ফাওদুনা চৎপা ঙম্বা ইলেক্ট্রোনিক্সকী অনৌবা কাঙলূপ অমা পুথোক্লবা কন্না হোৎনদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা ওক্সাইদতা য়ূম্ফম ওইবা খূৎলায়শিংসি কার্বন ফুটপ্রিন্ট হন্থহনবা ঙম্বা পৱার ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং কম্যুনিকেসন টেক্নোলোজিশিংদসু শীজিন্নবা য়াবা ওইগদৌরি। RMIT য়ুনিভর্সিটিনা লুচিংবা থিজিন-লূপ অমনা হৌখিবা চহী কয়াসিদা য়াম্না লায়না চেন্থোক-চেনশিন য়াবা পি-টাইপ ওক্সাইদ অমা থিরকপগী মহয় ওইনা, কা হেন্না পাবা বিটা-টেলরাইটপু দাইমেন্সন অনীগী সেমিকন্দক্টিং মেটরিএলগী পুক্কেদা হাপচিল্লকপা ঙমখ্রে হায়না ‘নেচর ইলেক্ট্রোনিক্স’ তা ফোঙদোরক্লি। ‘ফ্যুচর লো-এনর্জি ইলেক্ট্রোনিক্স টেক্নোলোজিস’কী লুচিংবা Dr. Torben Daeneke না ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, অসিগুম্বা অনৌবা মেটরিএলশিংসিনা মনুং ফাওনা উবা ঙম্বা, খোঙজেলসু য়াঙবা সর্কিটশিং পুথোকপা ঙমহল্লগনি হায়রি।



ওয়দগী Ali Zavabeti, Patjaree Aukarasereenont (মনুং ফাউনা উবা ঙম্বা ইলেক্ট্রোনিক্সকী খূৎলাই পাইরিবী অমসুং Torben Daeneke

সেমিকন্দক্টিং মেটরিএলশিংসি মখল অনী লৈ : নেগেটিভ চার্জ পুরবা ইলেক্ট্রোনশিং মরাং কায়না য়াওরবা ‘এন-টাইপ’ মেটরিএলশিং অমসুং পোজিটিভ চার্জ পুবা হোলশিং মতিক চানা য়াওরবা ‘পি-টাইপ’ মেটরিএলশিংনি। অসিগুম্বা পি-টাইপ অমসুং এন-টাইপ মেটরিএলশিংনা পুনশিন্নরগা শেম্বদা দাইওদশিং, রেক্টিফাইয়রশিং অমসুং লোজিক সর্কিটশিংগুম্বা খূৎলায়শিং ওইহল্লকই। ঐখোয়গী পুন্সিসি অসিগুম্বা খূৎলায়শিংদা অসুক্কী মতিক মখা পোনখ্রে মদুদি ঐখোয়না হৌজিকপু ফোন পায়দনা নুমিৎ কয়ানি হিংবা ঙমগদৌরিবগে? হিংখিবদি য়াই অদুবু নুংঙাই হায়বা মহিংদুদি ওইররোই। নুংতিগী শীজিন্নরিবা টি ভি, স্মার্ট ফোন অমসুং কম্প্যুটরগুম্বা ইলেক্ট্রোনিক্সকী পোৎশিংসি শাগৎলক্লবগী মচাক মখোয়না ওইরি। থিজিল্লোইশিংদা হান্না কোক শাহল্লম্লিবসি অতৈনা নত্তে; মথৌ ফজনা তৌহনবা ঙম্বা এন-টাইপ ওক্সাইদশিংদি মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্লগা, মগুন লৈবা পি-টাইপ ওক্সাইদশিং পুথোকপা ঙম্লমদবসিনি।




মনুং ফাউনা উবা ঙম্বা ইলেক্ট্রোনিক্সকী খুৎলাই

মসিমক ওইদুনসু, কুমজা ২০১৮দা কম্প্যুটস্নেল ষ্টদি অমনা বিটা-টেলরাইট ($\beta$-$TeO_2$) অসি পি-টাইপ ওক্সাইদকী মতিক চারবা কেন্দিদেট অমনি হায়না উৎপা ঙমখি। মরমদি টেলরিয়ম (Te) সি পেরিওদিক টেবলদা মেটলোইদশিংগী কাঙলূপ্তা লৈ, হায়বদি সিলিকোন, জর্ভেনিয়ম, অর্সেনিক্কীগুম্বা মগুনশিং চেল্লি। অসুম্না থিজিনখিবা অসিনা RMIT য়ুনিভর্সিটিগী থিজিন-লূপনা মসিগী মগুনশিং অমসুং শীজিন্নফমশিং পুথোক্লবা হোৎনবদা পূক্লিং থৌগৎখি।

Dr. Daeneke গী থিজিন-লূপ অসিনা মহী ওইরবা ধাতুগী কেমিষ্ট্রিদা বিটা-টেলরাইটপু শুংনবগীদমক অখন্নবা টেক্নিক অমা শেমগৎখি। অহানবদা, শৌদোকহল্লবা টেলরিয়ম অমসুং সেলিনিয়ম (Se) গী য়ানশিন্নরবা মহী অমবু লৈমাই অমদা থম্বদা মহীদুগী মরীক-মরীকশিং লৈমাইদুদা ফংই অদুগা মসিগী মতুংদা মতুম তারপ তৌবা পোৎ অমনা তক্লগা চৎহল্লি। মতম অসিদা অকোইবদা লৈরম্বা নুংশিৎতগী ওক্সিজেনগা মরীকশিংদুগা থেংনরগা বিটা-টেলরাইদ ওক্সাইদকী অপাবা মরোল অমা শেম্লকই। থিজিল্লোইশিংনা পাল্লিবা টেলরাইটকী বিটা-ফেজদু $300^0C$ কী মখাদা ফংলকপা মতমদা, অশেংবা টেলরিয়মগী শৌদোকপগী শাবগী চাংদি $500^0C$ কী মথক্তা অদুমক লৈ। মরম অসিনা, সেলেনিয়ম হাপচিন্দুনা শৌদোকপগী শাবগী চাং হন্থবা এল্লোয় অমা শেমগৎপা ঙমহল্লি। কা হেন্না পারবা মপাকশিংসি নানোমিটর ১.৫ খক্তমক থাই, গ্লাসকুম্না মনুং ফাওনা উবা ঙম্মী অদুগা বেন্দগেপ্পা ইলেক্ট্রোন ভোল্ট ৩.৭নি হায়বদি মীওইবগী মীৎনা উবা ঙমদবগী চাংদা লৈ হায়না থিজিনবসিদা শরুক য়াখিবা ডা. অলি জভাবেটিনা ফোঙদোক্লি।

মতৌ অসুম্না শেমগৎলক্লিবা মেটরিএলসিগী ইলেক্ট্রোনিক্কী মগুনশিংবু চাং য়েংনবগীদমক, বিটা-টেলরাইট ওক্সাইদকী ফিল্ড ইফেক্ট ত্রান্সিষ্টর (FET) শিং শারম্মী। ত্রান্সিষ্টরশিংসিনা পি-টাইপকী মগুন ফজনা চেনবগা লোয়ননা হোলশিংনা চেনবগী চাংসু ৱাংলম্মী। মসিনা হৌজিক শীজিন্নরিবা পি-টাইপ ওক্সাইদ সেমিকন্দক্টরশিংদগী শরুক তরাদগীনা চাম্মা হেন্না খোঙজেল য়াংই। শিংথানিংঙাই ওইরবা ‘ওন/ওফ’ রেসিওসু লৈবসিনা মৈ চাদবা, খোঙজেল য়াঙবা খূৎলায়শিং শাবা য়াহল্লি। মখোয়না পুথোরক্লিবা অসিনা ইলেক্ট্রোনিক্কী মেটরিএলশিংগী পুক্কেদা লৈরম্বা অৱাৎপা অমা মেন-খৎপা ঙম্লে হায়না অলি জভাবেটিনা ফোঙদোক্লি। অসিগুম্বা মেটরিএলসিনা মনুং ফাওনা উবা ঙম্বা, খোঙজেল য়াঙবা পি-টাইপ সেমিকন্দক্টরশিংনা ত্রান্সপরেন্ট ইলেক্ট্রোনিক্সতা অনৌবা য়াওল অমা পুরক্তুনা হেন্না ফবা দিসপ্লেশিং অমসুং মৈ চাবা হন্থবা খূৎলায়শিং পুথোকপা ঙমহল্লগনি। থিজিন-লূপ অসিগী মখা তারকপা থবক ওইনা মেটরিএল অসিবু হৌজিক শীজিন্নরিবা অতোপ্পা মেটরিএলশিংগা পূনশিন্নরগা হেন্না মগুন লৈরকপ্রা হায়বদু য়েংশিনগদৌরি। ●





চার্জ দেন্সিটি উৎলিবা বিটা-তেলরাইটকী খ্রিস্টল ষ্ট্রকচর

# কুমজা ২০২১গী অফবা শান্নরোয়দা পীবা ‘হিন্দু’ পাউচেগী মনা

- লৈশাংথেম অজিৎ -





শান্ন-খোৎনবদা থোইদোক হেন্দোকপা শান্নরোয়শিংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ইকায়খুম্নবা উত্তুনা মতিক চাবা মনা মথুম কয়া অমুক পীনরি হায়বা ঐখোয়না খঙনরি। মসিগী মনুংদা অর্জুনা এৱার্দসু অমনি। পদ্মশ্রী, পদ্মা ভুশন অমদি ভারত রত্ননচিংবা লৈবাক অসিগী মতিক মগুন লৈরবা হীরম খুদিংমক্তা থোইদোক হেন্দোকপা ইন্দিয়াগী সিতিজন্না ফংনরিবা এৱার্দ অসিসু শান্ন-খোৎনবদা পীনরি। লমদম অসিদসু পদ্মশ্রীগী মনা ফংবা শান্নরোয়শিংখক্তা নত্তনা মসিদগী থাক ৱাংবা মনা ফংবশিংসু য়াওরি। লৈঙাক্লা পীরিবা মনাশিং অসিখক্তা নত্তনা মরু ওইবা নেসনলগী থাক্তা ফোঙবা পাউচেশিংনা লৈবাক অসিগী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা চহীগী ওইনা খ্বাইদগী ফবা শান্নরোয়শিংদা মনা-মথুম কয়ামুক পীরি। মসিগী মনুংদা চেন্নাই সিটিদা ফোঙবা ‘হিন্দু’ পাউচেসু অমনি।

পাউচে অসিগী মনিং থংবা লমাই অনী অদু স্পোর্টসকী ঈ-পাউগী লমাইনি। কুমজা ১৮৭৮দা চেন্নাই (মদ্রাজ) দা ফোঙখিবা পাউচে অসিনসু চহীগী ওইনা লৈবাক অসিগী থোইদোক হেন্দোকপা শান্নরোয়শিংদা ইকায়খুম্নবা উত্তুনা অচৌবা খুদোলশিং পীরি। হন্দক্কী চহীগী ওইনদি চৎলিবা থা (এপ্রিল) অসিগী ৩ অমসুং ৪দা খুদোলশিং অদু য়েন্থোকখি।

পাউচে অসিবু ফোঙলিবা মপুশিং অসিনা শান্ন-খোৎনবগা মরী লৈনবা তোঙানবা শান্নবগী মেগাজিনসু ফোঙদুনা মীয়ামদা শান্নবগী ইথিলসু পীরি। পাউচেগী অশিন অরাং তৌরিবশিং অদুনা মেরি কোমবু স্পোর্টস ষ্টার ওফ দি দিকেদ হায়না খন্দুনা ৱর্ল্ড বোক্সিং তরুক্লক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবী অসিদা মমিং লৈরবা ইকায়খুম্ননীংঙাই ওইরবা মনা অসি পীখিবদা মেরি কোম্না অসুম্না হায়খি, “ঐ অসুক্কী মতিক নুংঙাই অমসুং ঐনা লাক্কদৌরিবা টুর্নামেন্টশিংদা মায় পাক্কনি, মসি ঐঙোন্দা পীবা অচৌবা থৌনানি। মনা অসি ঐঙোন্দদি য়াম্না চাউখ্রে। ঐনা য়ামখ্রবা চহী ২০ অসি মতম শাংনা বোক্সিং থিন্নদুনা লাক্লি। মসি নুপী অমা ওইনা, নুপীমচা অমা ওইনা, অঙাংগী মমা অমা ওইনা অরাইবা থবক নত্তে । মসিনা ঐগী খ্বাইদগী মরু ওইবা পাউজেলনি।”

থৌরম অদুদা অভিনাব বিন্দ্রবুসু ‘ইন্টরনেসনল জাইন্ট ওফ ইন্দিয়ন স্পোর্ট’ হায়বা মনা অমা পীদুনা মহাক্লা ইন্দিভিজুয়েলগী থৌরমদা ওলিম্পিক্কী সনাগী তকমান (মেদল) ফংবা ঙম্বা অহানবা ইন্দিয়া মচা ওইখিদুনা লৈবাক অসিগী মমল য়াম্লবা মীংচৎ পুরকখিবগীদমক ইকায়খুম্নবা অসি উৎখি। মসিগীদমক অভিনাবনা স্পোর্টস ষ্টার (মেগাজিন), পাউচে ‘হিন্দু’ ফোঙলিবা মপুশিং অদুবু থাগৎচখি। হান্না নুপাগী ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন ওইরম্বা কে শ্রীকান্টনা ‘স্পোর্টসমেন ওফ দি দিকেদ’ কী মনা লৌবা মতমদা অসুম্না হায়খি মদুদি “ঐনা (স্পোর্টস ষ্টার) মেগাজিন তত্তনা পায় মদুদি মসিদা শান্নবগী ঈ-পাউ মতিক চানা য়াওই। ঐসু নোংমদি ঐগী মরমদা মসিদা ফোঙহনগে হায়না মঙ মঙখি। অদুবু ঙসিদি মনা অসি স্পোর্টস ষ্টারদগী ফংলে।

অমরোমদা, নুপীগী বেদমিন্টন ওলিম্পিক্কী মেদল ফংখিবী স্পোর্টস ৱিমেন ওফ দি দিকেদ মীংথোল পীদুনা মীয়ামদা মশক তাকখিবীদি কুমজা ২০১৯দা ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন ওইখিবী পি ভি সিন্ধুনি। মহাক কুমজা ২০১৭তা ৱর্ল্ড রেপিদ চেছ চেম্পিয়ন ওইখিবা বিশ্বানাথন আনন্দগা লোয়ননা মোমেন্ট ওফ দিকেদ মনা ফংখি। স্পোর্টস ষ্টার অসি ঐহাক খক্তা নত্তনা শান্নরোয় খুদিংমক্তা য়াম্না পূক্লিং থৌগৎপা অমসুং ঐখোয়গী মতেং ওইদুনা লাক্লি। কুমজা ২০১৯দা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবা অদু ঐগীদি খ্বাইদগী মরু ওইবা মীৎকুপশিংগী মনুংদা অমনি। মসিনা ঐহাক্কী অহানবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্দা ফংবা সনাগী মেদলনি। অসুম্না পি ভি সিন্ধুনা হায়খি।

মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা ছত্রং শান্নরোয় বিশ্বানাথন আনন্দনা হায় মদুদি ঐনা মোমেন্ট ওফ দিকেদ মনা ফংবা অসিদা কুমজা ২০১৭তা ৱর্ল্ড রেপিদ চেছতা মায় পাকখিবা অদু নীংশিংলকখি। মনা অসি ফংবদা ঐহাক য়াম্না হরাওজৈ। মসি ঙরাংখক্তা ওইরবোই নীংই।

মতাং অসিদা ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন কোচ ওইরিবা গোপিচান্দনা হায়, ঐনা কুমজা ২০০১দা স্পোর্টস পর্সন ওফ দি য়র মনা ফংবা অদু নীংশিংলকখি অদুগা চহী ২০ লৈরগা কোচ ওফ দি দিকেদ ফংবা অসি য়াম্না হেন্না নুংঙাইবা ফাওই। ‘হিন্দু’ পাউচে অসিনা হোকি শান্নরোয় রানি রামপাল, মনপ্রিট সিংহ, রেষ্টলর সুসিল কুমার, ছত্রং শান্নরোয় বিশ্বানাথন আনন্দ অমসুং কোনেরু হম্পীদা স্পোর্টস ষ্টারস এসেস এৱার্দ পীখি। মসিদা সুসিল কুমারনা হায়রি মদুদি জুরিনা মহাকপু এৱার্দ অসিগীদমক খনখিবদা মহাক য়াম্না নুংঙাইজৈ। মহাকপু ইকায়খুম্নবা উৎপীরে অদুগা মহাকপুসু লৈবাক অসি থৌগল তৌবা ঙম্নবা মতেং পাংবীয়ু। মহাক্লা হায়রিবদি মহাক ইন্দিয়াগীদমক শান্নবদা মপূক্লিং থৌগৎপীয়ু হায়বনি।

‘হিন্দু’ পাউচেগী পব্লিশিং গ্রুপকী চ্যেরপর্সন মালিনি পারথা সারাথিনা স্পোর্টসমেন ওফ দি দিকেদ ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মঙারক ছত্রং শান্নবদা চেম্পিয়ন ওইখিবা বিশ্বানাথন আনন্দা শিন্নখি। স্পোর্টস ষ্টার ফোঙলিবা মীওই কাঙলূপ অসিনা কুমজা ২০০৭কী টি-২০ ৱর্ল্ড কপকী হেরো কোগিন্দ্রো শর্ম্মা, হান্নগী ইন্দিয়াগী কাবাদি কেপ্তেন অজেয় থাকুর অমসুং কম্মনৱেল্থ গেমস বোক্সিং চেম্পিয়ন অখিল কুমারদা ‘জাইন্ট ওফ দি ফিল্ড’ মীংথোল পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। স্পোর্টস ষ্টার এসেস এৱার্দ অসি এপ্রিল ১দগী ৪ ফাওবদা চথুখিবা থৌরমনি। মসি স্পোর্টস ষ্টারগী মনা মথুম য়েনবদা অহানবা ভর্চ্যুএল সেরেমোনি ওইখি। ‘হিন্দু’ না পীরিবা মনা অসিগীদমক শান্নরোয়শিং খনগৎখিবগী জুরি অদুগী মকোক্তি ক্রিকেট শান্নরোয় সুনিল গবাস্করনা ওইখি।

সুনিল গবাস্করগা লোয়ননা থবক তৌমিন্নখিবা জুরি মেম্বরশিং অদুদি ইন্দিয়াগী হোকি কেপ্তেন ওলিম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংখিবা এম এম সোমায়া, অপারনা পোপার্ট নেসনল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন মাপনলক ওইখিবী, ৱর্ল্ড চেছ চেম্পিয়ন মঙারক ওইখিবা বিশ্বানাথন আনন্দ, অঞ্জলি ভাগবট, কম্মনৱেল্থ গেমস শুটিংদা সনাগী মেদল ফংখিবী অমসুং হান্নগী ইন্দিয়াগী ফুটবোল কেপ্তেন বাইচুং ভুটিয়ানি। ●